# মুম্বাই সিটি এফ সীনা এস সী ইষ্ট বেঙ্গলবু ১-০দা মায়থীবা পীদুনা আই এস এলগী পোইন্ট টেবল মাঙজিল থারি

**23rd Jan, Saturday (68th Match)**
Kerala Blasters
vs
FC Goa
Time : 7:30 PM



*মুম্বাই সিটি এফ সীগী মণিপুর মচা বিপিননা এস সী ইষ্ট বেঙ্গলগী শান্নরোয় অনী লাম্বোক্তুনা বোল পুনবা হোৎনবা*

ভাস্কোদাগামা, জন্যুৱারী ২২ (এজেন্সী): ইন্দিয়ন সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি ভাস্কো দা গামা সিটিদা লৈবা টিলকমাইদান ফুটবোল ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ৬৭শুবা মেটচতা মুম্বাই সিটি এফ সীনা এস সী ইষ্ট বেঙ্গলবু পাঞ্জল ১-০দা থোইদুনা মখা তানা পোইন্ট টেবলদা মাঙজিল থাদুনা চৎপা ঙম্লি।

ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচ অদু মুম্বাই সিটি এফ সীগী ওইনা ১২শুবা মেটচনি। অদুগা এস সী ইষ্ট বেঙ্গলগী ওইনা ১৩শুবা মেটচ ওইখি। মমাংদা মুম্বাই সিটি এফ সীগী মেটচ ১১দা পোইন্ট ২৬ ফংদুনা টিম ১১গী লম্বা অসিদা মাঙজিল থাদুনা লৈরম্বনি। অমরোমদা এস সী ইষ্ট বেঙ্গলগী টিম মেটচ ১২ শান্নবা লোইশিনখিবদা পোইন্ট ১২ ফংলগা ১০শুবা পোজিসনদা লৈখি।

টিলকমাইদান ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অদুগী হৌরকপদা মুম্বাই সিটি এফ সীগী শান্নরোয়শিংনা বোল হেন্না পায়বা ঙমখি। মদুগী খূদোংচাবা লৌরদুনা মেটচকী ২৭শুবা মিনটতা মখোয়না পুশিনখিবা বোল অমদা হুগো বোমোসনা পাস তৌরকপা বোল অমা টিমমেট মোর্টাদা ফোলনা য়াম্না ফজবা মওংদা হেদ তৌশিল্লগা মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল ওইখি। মখা তারকপা অহানবা হাফকী লেমহৌবা মিনট ২০ লোমগী মতম অদুদা ইন্দিয়ন সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টতা অহানবা ওইনা শরুক য়ারকখিবা এস সী ইষ্ট বেঙ্গলগী মায়কৈদগী ইক্বেলাইজর ফংদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফতা এস সী ইষ্ট বেঙ্গলগী মায়কৈদগী য়াম্না কন্না হোৎনদুনা মুম্বাই সিটি এফ সীগী মায়কৈদা বোল কয়া পুশিনখ্রবসু মখোয়না পামখিবা পাঞ্জল অদু ফংখিদবদগী ০-১দা মায়থীখি।

| Pos | Team Name | P | W | D | L | F | A | GD | PTS |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Mumbai City FC | 12 | 9 | 2 | 1 | 18 | 4 | 14 | 29 |
| 2 | ATK Mohun Bagan FC | 12 | 7 | 3 | 2 | 12 | 5 | 7 | 24 |
| 3 | FC Goa | 12 | 5 | 4 | 3 | 17 | 12 | 5 | 19 |
| 4 | Hyderabad FC | 12 | 4 | 5 | 3 | 16 | 14 | 2 | 17 |
| 5 | Northeast United FC | 12 | 3 | 6 | 3 | 15 | 16 | -1 | 15 |
| 6 | Chennaiyin FC | 13 | 3 | 6 | 4 | 10 | 13 | -3 | 15 |
| 7 | Bengaluru FC | 12 | 3 | 4 | 5 | 14 | 16 | -2 | 13 |
| 8 | Jamshedpur | 12 | 3 | 4 | 5 | 13 | 17 | -4 | 13 |
| 9 | Kerala Blasters FC | 12 | 3 | 4 | 5 | 16 | 21 | -5 | 13 |
| 10 | East Bengal Club | 13 | 2 | 6 | 5 | 11 | 17 | -6 | 12 |
| 11 | Odisha FC | 12 | 1 | 4 | 7 | 12 | 19 | -7 | 7 |

# ইন্দিয়াগী নুপীগী জুনিয়র হোক্কী টিমনা চিলিগী সিনিয়র টিমগা পাঞ্জল ২-২ চন্নরগা দ্রো চৎখ্রে



*চিলিগী শান্নরোয় অনীনা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়না পুশিল্লকপা বোল অমা থিংনবা হোৎনখিবা*

সান্টিয়াগো, জন্যুৱারী ২২ (এজেন্সী): ইন্দিয়াগী নুপীগী জুনিয়র হোক্কী টিমনা চিলিদা এক্সপোজর টুর অমা পাঙথোকপগী মনুং চন্না ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা মেটচ অমদা য়ূম্ফু লৈবাক অদুগী সিনিয়র হোক্কী টিমগা লম্বা তৌনবদা পাঞ্জল ২-২দা দ্রো চৎখ্রে।

নীংশিংবা য়াবদি, ইন্দিয়াগী নুপীগী জুনিয়র হোক্কী টিম অসিনা ঙরাং শান্নখিবা মেটচতা চিলিগী সিনিয়র হোক্কী টিমবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমদা পাঞ্জল ৩-২দা মায়থীবা পীবা ঙমখিবনি। মসিদসু নৎতনা ইন্দিয়াগী টিম অসিনা চিলিগী জুনিয়র হোক্কী টিমগা লম্বা তৌনখিবা মমাংগী মেটচ অনীমক মায় পাক্তুনা টুর অসিদা য়াম্না ফজবা মওংদা লৈরকখিবনি।

চিলিগী নুপীগী সিনিয়র হোক্কী টিমগী মায়কৈদগী মখোয়না ইন্দিয়াগী জুনিয়র টিমগা শান্নবদা অহানবা মেটচ মায়থীখ্রবা মতুং ঙরাং অথেংবগী মেটচ অদুদা লমন শীংনবগীদমক্তা অকনবা মওংদা শান্নবা হৌরকখি। মেটচ অদুগী অহানবা ক্বার্টরগী মিনট ১৫ শান্নখিবা অদুদা নাকল অনীমক্কী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা ক্বার্টরদা চিলিগী মায়কৈদগী পুশিল্লকপা এটেক অমদা টিম অদুগী শান্নরোয় মারিয়ানা দেল জিজস লাগোসনা ২১শুবা মিনটতা মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল চল্লগা ইন্দিয়াগী জুনিয়র টিম অদুবু মখোয়না ১-০দা মাঙজিল থারগা লৈখি। অহানবা হাফকী পুংখায় অমগী ওইবা মতম অদু লোইশিল্লকপা ফাওবদা চিলিগী পাঞ্জল অদু ইন্দিয়াগী জুনিয়র শান্নরোয়শিং অদুনা হন্দোকপা ঙমদনা লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপা মেটচকী ওইনা অহুমশুবা ক্বার্টরগী লোইরমদাই মেটচকী ৪০শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী দিপিকানা ইক্বেলাইজর অদু চল্লগা টিম অনী পাঞ্জল ১-১দা লৈনখি। পাঞ্জল মান্নরবা মতুং ইন্দিয়াগী জুনিয়র শান্নরোয়শিং অমদি চিলিগী সিনিয়র টিম অদুগী মরক্তা অকনবা মওংদা মেটচ মখা চৎথরকখি।

অহুমশুবা ক্বার্টর অদুগী লোইশিল্লকপদা মখা তাবা পাঞ্জল লৈনখিদ্রবা মতুং মেটচকী মরিশুবা ক্বার্টরগী হৌরকপা অদুদা চিলিগী সিনিয়র টিমগী মায়কৈদগী পুশিল্লকপা এটেক অমা ইন্দিয়াগী জুনিয়র টিম অদুগী দিফেন্দরশিংনা ঙাকথোক্লবা হোৎনবদা পেনাল্টি ষ্ট্রোক অমা চিলিগী মায়কৈদা মেটচ অদুগী রেফরিনা পীখি।

খূদোংচাবা অদু মেটচকী ৫১শুবা মিনটতা চিলিগী মায়কৈদগী ফর্নান্দা ভিলাগ্রননা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ইন্দিয়াবু মখোয়না পাঞ্জল ২-১দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি। ইন্দিয়াগী জুনিয়র হোক্কী শান্নরোয়শিং অদুনা চিলিগী হোক্কী টুর অদুদা মমাংদা শান্নখিবা মেটচ ৩ মায় পাক্তুনা লাকখিবা অদুগী টেম্পো অদু মাঙহন্দনা মরিশুবা মেটচ অদুদা চিলিগী সিনিয়র শান্নরোয়শিং অদুনা মখোয়গী মথক্তা পাঞ্জল ১ হেন্দুনা লৈখ্রবসু এটেক চথবগী চাং লেপখিদে। মদুগী কান্নবা অথুবা মতমদা ফংবা ঙমখি। মেটচকী ৫৫শুবা মিনটতা ইন্দিয়ানা পুশিনখিবা এটেক অমদা চিলিগী দিফেন্দরশিংগী অশোয়বা অমদগী পেনাল্টি ষ্ট্রোক অমা ইন্দিয়াদা মেটচকী রেফরিনা পীখি। তাঞ্জা অদু ইন্দিয়াগী গগনদিপ কোরনা অশোয়-অঙাম য়াওহন্দনা চিলিগী গোলকিপর অদুবা মায়থীবা পীরগা পাঞ্জল চন্দুনা মেটচ অদু ২-২দা দ্রো চৎখি।

# বর্নলেনা মমাংগী চেম্পিয়ন লিভরপুলবু ১-০দা থোইখ্রে

লন্দন, জন্যুৱারী ২২ (এজেন্সী): ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা মেটচ অমদা টুর্নামেন্ট অসিগী হৌখিবা সিজনগী চেম্পিয়ন লিভরপুলবু লীগকী মমৈ থংবা শরুক্তা লৈরিবা বর্নলেনা ১-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

লিভরপুলনা য়ূম্ফু ওইরগা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা মেটচ অদু লিভরপুলগী ওইনদি ১৯শুবা মেটচনি। অদুগা বর্নলেগীনা ১৮শুবা মেটচ ওইখি। লিভরপুল মমাংদা শান্নখিবা মেটচ ১৮ লোইশিনখিবদা পূন্না মেটচ ৯ মায় পাক্লগা মেটচ ৭ দ্রো চৎতুনা অমদি অতোপ্পা মেটচ ২ মায়থীবা নংদুনা পোইন্ট ৩৪ ফংলগা টুর্নামেন্ট অসিগী পোইন্ট টেবলদা ৪শুবা পোজিসনদা লৈখিবনি।

অমরোমদা, বর্নলেগী টিম মখোয়গী মটেচ ১৭ শান্নবা লোইশিনখিবদা মেটচ ৪ মায় পাকপা ঙমখিবা, চপ মান্নবা মেটচ মশীং ৪ দ্রো চৎখিবা অমদি মেটচ ৯না মায়থীবা নংদুনা পোইন্ট ১৬ ফংলগা ১৭শুবা পোজিসনদা লৈরম্বনি।

ঙরাংগী মেটচ অদুগী অহানবা হাফকী মিনট ৪৫গী মতম অদুদা টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী পাঞ্জল চন্নবা ঙমদনা লৈখি। অনীশুবা হাফকী অয়াম্বা মতম হৌজিল্লবা ফাওবদা নাকল অনীগী শান্নরোয়শিংনা পুশিন্নখিবা বোলশিং অদু পাঞ্জল ওইবা য়াবগী খূদোংচাবা কা হেন্না ফংবা ঙমদনা স্কোর বোর্দ অদু হাঙনা লৈখি।

মেটচ লোইগদবা মিনট ৭তা ঙাইরবা মতমদা বর্নলেগী মায়কৈদগী পুশিনখিবা এটেক অমা লিভরপুলগী পেনাল্টি বোক্স য়ৌরকপদা কাঙলোন ৱাংমা লান্না লিভরপুলগী দিফেন্দরনা বোল মুন্নবা হোৎনরুবগীদমক পেনাল্টি অমা পীখি। খূদোংচাবা অদু বর্নলেগী মায়কৈদগী এস্লি বর্নসনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা লিভরপুলবু ১-০দা মাঙজিল থাখি। মেটচকী লেমহৌবা মিনট য়ামশিল্লক্ত্রবা অদুদা লিভরপুল কান্নবা ফংদনা ০-১দা মায়থীহৌখি।

# অহানবা এম এন সী এ ৱিমেন টি-২০ ট্রোফি ২০২০-২১গী ফাইনেলদা টিম এ অমসুং টিম সী লম্বা তৌনরগনি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২২ (ঐচএনএস): মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসননা শীন্দুনা লুৱাংশংবমদা লৈবা লুৱাংপোকপা ক্রিকেট গ্রাউন্দদা চথরিবা অহানবা এম এন সী এ ৱিমেন টি-২০ ট্রোফি ২০২০-২১গী ফাইনেলদা মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসন টিম এ অমসুং মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসন টিম সী লম্বা তৌনরগনি।

ঙসি টুর্নামেন্ট অসিগী মঙাশুবা মেটচতা টিম এ অমসুং টিম সী লম্বা তৌনখি। মেটচ অদুগী টোস টিম এনা ঙমদুনা বোলিং হান্না তৌখি। মদুদা টিম সীগী মায়কৈদগী অপীবা ওভর ২০গী মনুংদা টিম অদুগী ৱিকেট ৭ আউট ওইরগা শুপ্পগী রন ৫৩খক লৌবা ঙমখি।

টিম সীগী মায়কৈদগী ওপনর কিরনবালানা লৌখিবা রন ১০না খ্বাইদগী য়াম্বা ওইখি। অতোপ্পা বেটসৱিমেনশিংদি রন ১০ য়ৌবা ঙমদনা আউট ওইখিবনি।

টিম সীগী বেসটৱিমেন ২/২ আউট তাহনবা ঙমখিবা টিম এগী বোলর গঙ্গা অমসুং জিটেশ্বরীনা মখোয়গী টিমগী বোলরশিংগী মরক্তা খ্বাইদগী ফজবা ওইখি। মেটচ অদু মায় পাক্নবা টিম এগী মায়কৈদগী রন ৫৪গী টার্গেট অদু ওভর ১৫ শুরকপদা টিম এগী ৱিকেট ৬ খক আউট ওইরগা রন ৫৪ লৌদুনা মেটচ অদু মখোয়না ৱিকেট ৪দা থোইখি।

টিম এগী মায়কৈদগী ৬শুবা বেটসৱিমেন মেরিনা বোল ২৪দা আউট ওইদনা রন ১৩ লৌখিবা অদুনা টিম অদুগী মায়কৈদগী খ্বাইদগী ফজবা ওইখি। মহাকপু চাওনা মতেং পাংখিবা অতোপ্পা শান্নরোয় অদু রন ৯ লৌরম্বা ওপনর কলপনানি।

ঙসিগী মেটচ অদুদা টিম এগী মায়কৈদগী মেরিনা আউট ওইদনা রন ১৩ লৌখিবা অমদি মহাক্না বোলর অমা ওইনসু টিম সীগী বেটসৱিমেন অমা আউট তাহনখিবা অদুনা মরম ওইরগা মেটচ অদুগী খ্বাইদগী ফজবা শান্নরোয়গী মনা ফংখি।

ঙসি লুৱাংশংবমদা লৈবা লুৱাংপোকপা ক্রিকেট গ্রাউন্দদা শান্নখিবা টুর্নমেন্ট অসিগী তরুকশুবা মেটচতা টিম বিনা টিম দিবু রন ৮দা মায়থীবা পীখি।

মেটচ অদুগী টোস টিম বিনা ঙমদুনা বেটিং হান্না তৌখি। মদুদা টিম বিগী মায়কৈদগী অপীবা ওভর ২০দা ৱিকেট ৭ আউট ওইরগা রন ১৪৯ লৌবা ঙমখি। টিম অদুগী মায়কৈদগী মরিশুবা বেটসৱিমেন মোনিকানা শুপ্পগী বোল ৪৪দা রন ৭২ লৌবা ঙমখিবা অদুনা খ্বাইদগী ফজবা পর্ফোর্মেন্স ওইখি। টিম অদুগী অতোপ্পা বেটসৱিমেন বিদ্যারানীনা বোল ৩৭তা রন ২১ লৌবা ঙমখিবা অদুনা মখা তানা টিম অদুগী ফজবা পর্ফোর্মেন্স ওইবা ঙমখি।

টিম দিগী মায়কৈদগী বোলর এল লিন্থোইনা টিম বিগী শান্নরোয় ৩ আউট তাহন্দুনা খ্বাইদগী ফজবা বোলর ওইখি। টিম অদুমক্কী অতোপ্পা বোলর খাদিজানা ৱিকেট ২ অমদি মঙাললৈমনা ৱিকেট ১ লৌবা ঙমখি।

মেটচ অদু মায় পাক্নবা টিম দিগী মায়কৈদগী রন ১৫০ লৌননবগী টার্গেট অদু টিম অদুগী মায়কৈদগী ওভর ২০ লোইশিল্লকপদা ৱিকেট ৫ তুরগা শুপ্পগী রন ১৪১খক লৌখিবা অদুনা মরম ওইদুনা মেটচ অদু মখোয় টিম বিগী মখূৎতা রন ৮দা মায়থীবা নংহৌবনি।

টিম দিনা হৌরকপদা কা হেন্না ফজবা ঙমখিদ্রবসু মঙাশুবা বেটসৱিমেন আর কে লিন্থোইনা শুপ্পগী বোল ৪১দা রন ৬৩ লৌবা ঙমখিবা অদুনা খ্বাইদগী ফজবা মশান্না ওইখ্রবসু মহাক্কী মশান্না অদুনা টিম অদুবু মায় পাকপগী লম্বেলদা পুশিনবদি ঙমখিদে।

টিম দিগী মায়কৈদগী অহুমশুবা বেটসৱিমেন প্রেনানা বোল ১৮দা রন ২০ লৌখিবা অমদি ৬শুবা বেটসৱিমেন বিনোমালানা আউট ওইদনা বোল ৩১দা রন ২২ লৌবা ঙমখি।

মেটচ অদু টিম বিনা মায় পাকপা ঙমখ্রবসু মমাংদা শান্নখিবা মেটচশিংগী রিজল্টশিং অদু য়েংলগা টুর্নামেন্ট অসিগী ওইনা থা অসিগী ২৪দা শান্নগদবা ফাইনেল মেটচতা মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসন টিম এ অমসুং মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসন টিম সীনা লম্বা তৌনগদৌরিবনি।

# এটলেটিকো মাদ্রিদনা আইবার থোইদুনা মকোক থোংদুনা লৈরি

মাদ্রিদ, জন্যুৱারী ২২ (এজেন্সী): স্পেনদা পাঙথোকপা লালিগা ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙরাং শান্নখিবা মেটচ অমদা হান্নদগী পোইন্ট টেবলদা মাঙজিল থাদুনা লৈরবা এটলেটিকো মাদ্রিদনা আইবারবু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীদুনা মখোয়গী খ্বাইদগী নক্লবা লম্বা ওইরিবা রিয়াল মাদ্রিদতগী পোইন্ট ৭ হেন্দুনা মখা তানা মাঙজিল থাবা ঙম্লি।

আইবারনা য়ূম্ফু ওইদুনা মখোয়গী হোম গ্রাউন্দ ম্যুনিসিপাল দি ইপুরুৱা ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অদু ক্লব অদুগী মায়কৈদগী শান্নবগী ১২শুবা মিনটতা ঙন্না পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখি। পাঞ্জল অদু আইবারগী মায়কৈদগী চথখিবা এটেক অমদা ফংখিবা পেনাল্টি কোর্নর অমা টিম অদুগী শান্নরোয় মার্কো দিমিট্রোবিচনা চনখিবনি। অহানবা হাফ লোইগদবা মিনট ৫দা ঙাইরবা মতমদা এটলেটিকো মাদ্রিদকী মায়কৈদগী মার্কোস লোরেন্টেনা পীরকপা পাস অমদা লুই স্বরেজনা ইক্বেলাইজর অদু চল্লগা অহানবা হাফ অদু টিম অনীমক ১-১দা লৈনখি।

অনীশুবা হাফতা নাকল অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা মশান্না পুখৎমিন্নরকখি। অদুবু শান্নবগী অরোইবা মিনট ৯০ য়ৌগদবা মিনট য়ামশিল্লক্ত্রবদা অহেনবা পাঞ্জল চন্নবা ঙমদনা লাকখিবা অদু ৮৯শুবা মিনটতা এটলেটিকো মাদ্রিদকী মায়কৈদগী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা লুই স্বরেজনা মহাক্কী টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল চন্দুনা মেটচ অদু মখোয়না আইবারবু ২-১দা থোইরগা লীগ টেবলদা পূন্না মেটচ ১৭তা পোইন্ট ৪৪ ফংদুনা খ্বাইদগী নক্লবা লম্বা রিয়াল মাদ্রিদকী মেটচ ১৮দা পূন্না ফংলিবা পোইন্ট ৩৭তগী পোইন্ট ৭ হেন্দুনা লৈবা ঙম্লিবনি।

থা অসিগী ২১দা শান্নখিবা অতোপ্পা টুর্নামেন্ট অসিগী লীগ মেটচ অমদা ভেলেন্সিয়া অমসুং ওসাসুনা পাঞ্জল ১-১ চন্নরগা দ্রো চৎখি। ভেলেন্সিয়া ১৪শুবা পোজিসনদা লৈরি। অদুগা ওসাসুনানা ১৯শুবদা লৈরি।

# প্রধান ট্রোফি ২০২১গী প্রিলিমিনরি রাউন্দশিং লোইশিনখিবদগী প্রি ক্বার্টর ফাইনেলদা লম্বা তৌনগদবা টিমশিং মশক খঙখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২২ (ঐচএনএস): হয়েল য়ং পোপ্যুলর ক্লবনা শীন্দুনা চথরকপা মরিশুবা ষ্টেট লেভেল ৭-এসাইদ মেন্স ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট প্রধান ট্রোফি ২০২১গী প্রিলিমিনরি রাউন্দশিং ঙসি লোইশিনখিবদগী প্রি ক্বার্টর ফাইনেলদা লম্বা তৌনগদবা টিমশিং মশক খঙবা লোইখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা ২৬শুবা মেটচতা লনচেনবী এফ সী তৌবুংখোকনা মঙাল এফ সী হৈঙাংবু নুংথিল শান্নখিবা অহানবা মেটচতা পাঞ্জল ৪-১দা মায়থীবা পীখ্রে। মেটচ অদুগী অহানবা হাফতা টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী পাঞ্জল ১-১ চন্নরগা লৈখি। লনচেনবীগী মায়কৈদগী সোভানা ১৫শুবা মিনটতা চনখিবনি। অদুগা মঙাল এফ সীগী মায়কৈদগীনা তোপরনা ২১শুবা মিনটতা ইক্বেলাইজর অদু চনখি।

অনীশুবা হাফতা লনচেনবী এফ সীগী মায়কৈদগী সোভানা ৩৩শুবা অমদি ৫১শুবা মিনটতা পাঞ্জল ২ চল্লগা হেটট্রিক ফংখি। অদুগা টিম অদুগী মরিশুবা পাঞ্জল অদুনা শান্নবগী ৪৮শুবা মেটচতা লানসিঙমনা চনখিবনি।

ঙসি নুংথিল পুং ৩ তাবদা শান্নখিবা ২৭শুবা মেটচতা এফ সী লমজাওনা ৱাই এস সী হঙ্গুনবু পাঞ্জল ৩-১দা মায়থীবা পীখি।

অহানবা হাফতা এফ সী লমজাওগী মায়কৈদগী কিষননা শান্নবগী ১৭শুবা মিনটতা অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। মদুগী মতুং হাফ অদু লোইরমদায় মিনট অমত্তা ঙাইরবা মতমদা টিম অদুমক্কী শান্নরোয় শরতনা পাঞ্জল অমগা চনশিল্লগা ৱাই এস সী হঙ্গুনবু ২-০দা মাঙজিল থারগা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈ ৱাই এস সী হঙ্গুনগী এস পুন্সিবনা পাঞ্জল অমা হন্দোকপা হৌখি। অদুবু মখা তানা এটেক হেন্না চথরকখিবা এফ সী লমজাওগী মায়কৈদগী ৩০শুবা মিনটতা জয়কিষননা পাঞ্জল অমা চল্লগা মেটচ অদু মখোয়না ৩-১দা থোইখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী হয়েং শান্নগদবা মেটচশিং অদু অম্ফাগী রেফরিগী ফিজিকেল ফিটনেস টেষ্ট লৈবা মরম্না থা অসিগী ২৪ অমসুং ২৫দা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেটচশিং শান্নরগনি।

# রিয়াল মাদ্রিদকী কোচ জিদেন কোভিদ পোজিটিভ ওইরে

মাদ্রিদ, জন্যুৱারী ২২ (এজেন্সী): স্পেনগী মমিং লৈরবা ফুটবোল ক্লব রিয়াল মাদ্রিদকী কোচ ফ্রেঞ্চ মচা জিনেদাই জিদেন কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌবদা পোজিটিভ ওইরে হায়না ক্লব অসিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকখ্রে।

নীংশিংবা য়াবদি, থা অসিগী অঙনবা শরুক্তা জিনেদাইন জিদেননা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা মীওই অমগা নক্লরুবদগী আইসোলেসনদা লৈদুনা ট্রেনিং সেসন অমসু য়াওখিদবনি।

কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌবদা পোজিটিভ ওইরকপদগী জিদেন রিয়াল মাদ্রিদকী টিমগী থবক থৌরমশিংদা চয়োল অনীদি লাপথোক্তুনা লৈগদৌরি। মহাক কোভিদ-১৯ নেগেটিভ ওইরবা মতুংদা মখা তানা টিম অদুগী সেসনদা য়াওগনি।








HL-P/8547/13 to 28

**SMART TUTORIAL CENTRE**

**ADMISSION OPEN**

**Revision Course 2021**
Class X (BOSEM)
Class XII (Science & Arts)

**Foundation 2021**
Class X (BOSEM)
Class XII (Science & Arts)

**Commences on 10th & 20th January 2021**

- Special fee concession for former student
- Regular mock test with analysis
- Well structured study material
- Separate hostel for boys & girls

*For details please visit* **Smart Tutorial Centre**
**Singjamei Super Market # 8730999192 / 9366048860**

HL-P/8361/28/12-26/01

**EMPLOYMENT NEWS**

- **22 to 28 yrs Office Asst.** ওইনিংবা মীওইশিংগী ওইনা **Keishamthong (Imphal Branch), Nambol, Samurou** অমসুং **Sekmai** গা নকুবা মীওইশিংগী ওইনা **Post 2/2** পামজৈ।
- **2 Wheeler Mechanic 2, Car Wash Helper 2, Car Driver 1, Tyre Fitting Helper 2,** চেক্কী **Jugali 3** অথুবদা পামজৈ।

*Please Contact :*
**M.B. Singh**
**Mobile No. 8413973840**

HL-B/6672/5/1-4/3(alt)


Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Mairenbam Karnajit, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com